## এডিটোরিয়েল

### এন্টরপ্রেনরশিং পুক্লিং থৌগৎপা

ষ্টেট অমগী লৈঙাক্না লমদম অমগী মখল মখা কয়াগী মীওই কাঙলূপশিংগী ওইনা খুন্দারিবা মফম কয়া অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটিব ওফিসশিং অদুনা মখোয়দা থাদরিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং অদুগী মপুং ওইবা শেনফম কয়া অদু মতৌ করম্না শীজিন্নরিবগে হায়বদু য়েংশিন্নবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা তোঙানবা শেনফম কয়া অমা মাংজৌননা কায়থোক্তুনা থম্মী। মসি মণিপুরদদি চৎনবা য়ারোইদবা অমা ওইনা লিশাং শিৎনা মীয়াম্না উরক্লি। মসিদগী খুদক্তা হোংদোকপা হায়বসি ইমুং মনুংগী মীওইশিংগী অচেৎপা ব্রিল অমগী মথৌ তাই হায়না লৌবা য়াই। হৌজিক ঐখোয়না তার্গেট তৌগদৌরিবা এরিয়াসি করিনো হায়না ষ্টেট লৈঙাক্তা হংবা মতমদা করম্বা এরিয়ানা মরু ওইবনো হায়বসি খঙদবগুম উই। অদুবু লৈবাকসিদা মরুওইনা ষ্টেটসিদা নৌনা শাফোঙলক্লিবা অমসুং মশাগী টার্গেট এরিয়া খঙনা মথৌ তৌরিবা এন্টরপ্রেনর কয়ানা মশা–মশাগী মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্লকপদগী মীয়ামগী খুদোংচাবা কয়া অমা ষ্টেটসিদা লৈরিবা লন্নাই লোয়শঙশিংনা পীবা ঙম্লক্লি। মসিদা ফেল ওইরিবসি লৈঙাক্কী লোয়শঙশিং অসিখক্তমক ওইরে হায়না লৌবা য়াই। অমরোমদনা লৈঙাক্লোইশিংনা এন্টরপ্রেনরশিং অসিগী পুক্লিং থৌগৎপা ঙমদে, মীয়াম্নসু হায়রিবা মীওই কাঙলূপশিং অদুনা লৌরিবা সোসিয়েল এক্টিভিটিশিং অদুসু চপ চানা খঙবা ঙমদবগুম উরি। মসিদগী লৈঙাক্কী মপুংওইবা লৈঙাকপদা য়াওরিবা মিনিষ্টরশিংনা মশাগী শেল্লেপ খরা তুংশিল্লগা ইলেক্সনগী মতাংদা লল্লোন–ইতিক্কী থবক পায়খৎপা অদুনা হেন্না মপাঙ্গল লৈ খল্লগা থৌশাদনা লৈথোকপনা মরম ওইরগা ঙসিগী ইন্দষ্ট্রিয়েল মেপ অসিদা মণিপুরগী ইন্টরপ্রেনরশিং অসিগী মফম অমত্তা কনবা ঙমদবনি হায়না লৌবা য়ারে। অদুবু হন্দক মণিপুর লৈঙাক্কী অনা–অয়েক্কা মরী লৈনবা লোয়শঙনা ষ্টেট অসিগী ওইবা চপ চাবা ফিরেপ অমা লৌবা ঙমদবনিনা অতোপ্পা কনা লৈজদ্রবা মীওইশিংদা মতেং পাংবগী ৱাফম অমত্তা পুথোক্তবা অমদি মীখলদা মায় পাকপা য়ারবা মীওই কয়া অমা মশা–মশাগী পার্টিদগী রিজাইন তৌহল্লগা কংগ্রেস লৈঙাক মখাদা লৈনবা হোৎনরি হায়বসি খ্বাইদগী চুম্লবা ৱাফম অমনি। অসিগুম্বা ফিভম কয়া অসি লাকপদা গর্ভর্নরগী মীৎয়েং করি ওইরিবগে অমদি অহল ওইরবা মহাক্কা ফম্বাল তোংমিন্নরকখিবা লৈঙাক্লোইশিংনা করম্বা ফিরেপ অমা লৌগদৌরি হায়বসিদা লুম্না মীৎয়েং চঙহল্লগা লমদমসিগী লৈতাদ্রবা নহারোলশিংগীদমক অচৌবা শেনফম কায়থোক্তুনা ফন–ফনবা থৌরাং খরা লৌখৎপদি শোয়দনা চুমগনি। থবক ফংদ্রবা মীওই মশিংনা হেল্লবা লমদম অমগী শেম্মীৎলোন ফগৎহনগে হায়বসিদা এন্টরপ্রেনরশিংগী লৌরিবা থৌদাং অদুদি লৈঙাক্না হেন্না পুক্লিং থৌগৎফম থোকপা ঙাক্তনি খল্লি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### মীতৈ কাঙলূপ মুৎখিগদ্রা চিংনদবা ঙমদে

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

হৌজিক ফাওবা ইজ্জৎ লৈবা তান্নবগী লমজেলদা য়াঙবা তান্নরিঙৈ ঙসিদি মীতোপ্না সহর খুদুম চনখ্রে– হান্নদগী মীনাই ওইবগী হৈনবী মপুং ফারগনি। ঙাইহাক লৈতে ইজ্জৎ মাংহল্লম্রে, হাৎলম্রে হুন্দোক্লম্রে, হায়রিবসিদা ভিক্টিম ওইরিবশিং ঐখোয় মশেল ঙাক্তা ওইরি। মরকসিদা অহৈ অহৈবা অফাওবা মাইবা মাইবী কয়াগী শেন্দাল লম্বী ওইরিবা পোৎশেম–যাদু, মন্ত্রশিংনা মপা, মচা, মচিন–মনাওশিং ঙাও–ফৈদুনা চৎহন্নবা মপোৎ মরল মুন্নবগী লমজেলসু য়াওরক্লি। লৈখিদ্রবা মপাগী থৱাই মাইবনা কৌথোক্লগা নুংশিনদনবা ইমুং অদুগী মীওইশিংদা থেংনহন্দুনা ঙাও–ফৈনা মাংনবসু শাগৈ নাতৈ মশেল অমদি অতৈ শাগৈগী নীঙোলশিংনা থৱায় য়াওবগুম তৌই। ভারত সরকারনসু ফজবা অশেন্বা ৱারী তাহন্দুনা অঙাংশিং মখা তানা পোক্তনবা ফেমিলি প্লানিংগী মেডল পীদুনা অমা নৎত্রগা অনীগী চাকথুং পীনবা হোৎনরি। মসিদা থাগৎপদা হরাওজবা জাৎ অৱাংবগী লুহুপ উপচবনি হায়বা কয়ানা তুংগী পোরম খঙদবদগী ঙসিদি ঐখোয় পূম্নমক মীনায় ফীদাদা ফমগদৌরি। ঙসিগী লৈঙাক মপু ওইরিবশিংসু মীতৈগী মরোল অমা ওইবদগী হৌজিকসু তুমদবা মী হৌদোকপগুম থোক্লি। মসি পূম্নমক কংগ্রেস সরকার অসিগী মরাল ওইগদৌরিবনি। হৌজিক কুম্মৈ ফিয়োংদা ঙাওরিবা কয়া অমদি লান্ন–থৌরমশিং, লুহোং–কৈহোংবদা শেল থাবদা অথোয়–অহেন তান্নবদা চৎনরোলগী ৱাংমদা নুপিশিং ফাওবা য়াওনা তান্নরক্লি। লুহোংবগী বরদা শেল থাবা, বর মমাদা শেল থাবা শেল চায়বা তৌদুনা নুমিৎ অদুগী মীয়ামশিংবুসু মতম মাংহল্লি। ইশাগী ইনাৎ অমদি চৎনবীশিং, লাইনিংগী ৱাংমদা মীতোপশিংগী লৈরিবা চৎনবী পূম্নমক্তসু শরুক য়াশিন্দুনা মশাবু ঙসিগী মীয়াম্না মমল য়াওহঞ্জদে। মশানদি মহাক সঙ্গ য়াম্না চাওবা মীওই অমনি হায়না মশা মথন্তনা খঞ্জবা ঙমই। ঐখোয় করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে হায়বসি ঙসিগী মিনিষ্টরশিংসু, অফিসার খুদিংমকসু খন্থবা অমত্তা য়াওদবনা ঙরাংতা লাকইবা মীতোপ কাঙবুনদি মশাগী খুল কয়া শেমদুনা ইম্ফাল সহর মফম খুদিংমক্তা খুন্দাশিনখ্রে। লমদম অসিগী অখঙ অহৈ লাইরিক হৈবা কয়াসু রিজার্বেসনগী মখাদা ওইরক্কদবা কয়া অদুগী খল্লগা ওফিসারশিংগী মথুন নপ্তুনা লৈরি। লৈবাক কনদৌরিবনি হায়দুনা লৈরিবা সংস্থান খরনসু ১৯৫১ না বেজ ইয়ার ওইহনবদা মীগীদমক মমা কায়নৌ হায়বগুম্না য়ানিংদবা উৎলি। অশেংবা অচুম্বা হায়বদা মীতোপকীনিবু হায়রবদি অচুম্বা খুদিংমক য়েক্লবা ওইরে। লমদমসিগী তম্পাক্কী শরুক খরদং লৈরিবসিদা ঙসিদি ভেং কোলোনি কয়ানা শৌগ্রী হৌবগুম হৌরক্লে। মসিদসু অমুক হোমলেণ্ড মেপ য়েকখৎলক্তুনা কোইয়েন য়েনলি। ঙসিগী লমদমসিবু কন্ননবনি হায়দুনা সংস্থান কয়া অরোৎপদগী অফোংবদগী লৈরিবা ময়াম পূম্নমক্না খঙবা ঙমদবদৌনা লৈরি। ময়েক উ–ঙমদ্রবা লমদমসিগী নিংথৌনসু তাদ্রবা না পান্দুনা ঙসিদি লৈমা জগোয় য়েংদুনা পার্সেন্টেজ মোন খাংলিঙৈ বন্দ ব্লোকেড ফিল্ম কাপ্তুনা ইজ্জৎ মাংহনখিবগী শৈরেং তারিঙৈ টি ভি দা শক উৎলিঙৈ, লৌবুক খুদিং ট্রেন খোঙ্গুল তাহন্দুনা মীরমগী মীওই কয়া কৌশিন্দুনা খুন্দাহল্লগা মীতৈ কাঙলুপ্পু মালেমসিদগী মুত্থৎনবা থৌরাং পায়খৎলিবরা হায়বসি হংনিংঙাই ওইবা অমসুং মীয়ামগী ৱাখলগী চিঙ্গাক ওইগদবা ৱাফম অমনি। মসিদা মণিপুর লৈঙাক্না চীংমী –তম্মীগী অমত্তা ওইবা য়াবা হিরম অমা পুথোক্তুনা চীং –তম অনীমক মান্নবা লৈঙাক অমগী মনুংদা লৈহন্নবা হোৎনবা চুমগনি।

**অদোমগী,**
**এস ব্রাই চনু**
**খা–পোৎশঙবম।**

# লাইনিং–লোনচৎ অমসুং লাইশোন ঈশৈশিং

লৈবাকপোকপা খুদিংগী...
সত্যম–শিবম–সুন্দরম
কে সি নন্দ

খৃষ্টিয়নশিংনা নোংমাইজিং খুদিং চর্চতা চত্তুনা চত্তুনা পুন্না গোস্পেল শোং শকমীন্নে। মুস্লিমশিংনা ইরাই খুদিং মসজিদতা নামাজ তৌমীন্নে। অশুম্না চয়োল খুদিং নোংমা উনবগী অমসুং পুনবগী থৌরম হিন্দুশিংগীদি লৈতে। চহী অমগী মনুংদা লাকপা কুম্ফে কৃষ্ণজন্ম, থৌরানীজন্ম, কাং, ঝুলন, হোলী অসিনচিংবা তাঞ্জাদতা মী ময়াম মন্দিরদা পুল্লি। চয়োল খুদিং নুমিৎ অমদা ময়াম পুনবা হায়বসি ধর্মগী ৱাফমশিং খন্না নৈনবতা নত্তনা সমাজিক ওইবা ৱা কয়াসু ফোঙদোকনৈ, অমদি মী অমগা অমগা নুংশিনবা হেনগৎহল্লি। হিন্দুশিংগী পুজাশিংদা ভজন–কীর্ত্তন অমদি নটসংকির্ত্তন অদুগা মনোহর সাঈগী ঈশৈশিং শকপা চৎনৈ। ঈশৈ শকপা হৈবা মী লৈত্রবদা অয়ুক্কী অমসুং নুমীদাংৱাই আরতী কৎপদা কাংশিগী মখোলনা ঈশৈগী মহুৎ শিল্লি। হিন্দু অমগী পুন্সিদা পাঙথোকপা কর্মশিং যষ্ঠি পুজা, নাহুৎপা, লুহোংবা শিবা পুম্বদা ঈশৈ য়াউনা পুজা কৎনৈ। পুন্সিদা অমসুং লাইনিংবদা ঈশৈগী মফমসি কয়াদা মরুওইখ্রবা ! ওঁ হায়বা 'নাদব্রহ্ম' অসিদগী সংসার অসি থোরকপনি হায়না শাস্ত্রনা হায়রি।

১৯৯০ গী অঙনবা শরক্তা মণিপুরদা সাইবাবাগী লাইনিং লাইশোনগী থৌরমশিং অনৌবা পুক্লিং ইথিলশিংগা লোয়ননা চঙলকখি। মন্ত্রিপুখ্রিগী লমদম অমদা অহানবা সাই –মন্দির ওইখি, মথঙ মথঙ থাংমৈবন্দ, ককচিং, থৌবাল বিষ্ণুপুর, উরিপোক অসিনচিংবদা সাইভজন অমসুং সৎসঙ্গ চয়োলগী নুমিৎ অখন্নবদা পাঙথোকনরকখি।

জয়দেবনা ইরম্বা দস–অবতার গী ইরোয় লোইবা অবতার কলকী হায়বদু সাইবাবা অসিনি হায়না অয়াম্বনা লৌনৈ। সাইগী মন্দির শিংদদি অকক্লবা নুমীৎ অমা চয়োলগী ওইনা লেপ্পরগা সাইভজন নৎত্রগা সৎসঙ্গগী থৌরম চাংনাইনা পাঙথোকনৈ। অশুম্না চয়োল খুদিং অকক্লবা নুমীৎতা মন্দিরদা ভজনকীর্ত্তন তৌবসি য়াম্না ফৈ খল্লি।

সাইবাবাগী পোক্লফম ওইরিবা পুত্তপর্টিদা চহী খুদিং ভক্ত নুপা নুপী ময়াম হেক হেক অখন্নবা থৌরম অমগী মনুংচন্না চৎনৈ। মখোয়না হল্লক্লগা সাইবাবানা তৌখিবা অঙকপা (মিরেকলস) থৌদোকশিংগী ৱারীশিং লীবদগী অনৌবা অনৌবা মীশিং সাইমন্দিরদা চিংশিন্নরকই। সাইবাবাগী মরমদা মেগজিন্দা, খবরদা অমদি লাইরিক খরা পারুবদগী ঐসু ১৯৯৭ তগী হৌনা, লুনা তীন্নবা মরুপশিংগা চাংনাইনা থাংমৈবন্দ অমদি উরীপোক লৈবা সাই মন্দিরদা ভজন য়াউবা চৎখি। মফমদুদা ভজন মী কয়ানা শক্লগা ময়াম্না খুমদুনা শকপা চৎনৈ। খর লৈরগা মৈতৈরোন্দা ভজন লেংদুনা শকপা হৌনরকখি। ভজন শকপা হেক লোইবগা কনাগুম্বা অখঙ –অহৈ অমনা ময়ামদা হিন্দু ধর্মগী দর্শনগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙই, করিগুম্বদা সাইবাবাগী অঙকপা কৃপাশিং (মিরেকলস) কী ৱারীসু লীদুনা ময়াম্বু নুংঙাইহল্লি। শিরে হায়দুনা লাওথোক্লবা মীশিংবু বাবানা হীংগৎহনখিবা থৌদোকশিং, নাম্মা –শোয়বদগী চৎপা ঙমদবা মীবু চৎহনবা, মরোল থোক্তবা মীবু ৱা ঙাঙহনবা অসিগুম্বা অঙকপা মওংগী কৃপাগী ৱারী মচা মচা য়াম্না লীনৈ। অহাংবদা বাবাগী খুৎনা হাইরগা সনাগী লীক পুথোক্তু না ভক্তশিংদা পীবা, সনাখুদোপশিং পীবা অসিগুম্বা কয়াগী ৱারীসু তত্তনা তাখি।

১৯৯৮ দা ঐনাসু, শৈরেংবা অমা ওইনা, সাইবাবাগী ভজন কয়া ইজখি। ঐগী মরুপ পেবম বুদ্ধগা ইবানিনা পুন্না হোৎনদুনা মণিপুরী সাই ভজনগী ওডিও কেসেটসু ফোঙখি। "নুংঙাইবা থিবদা ৱারবা মীওইবা – লম্বীদো ওন্নরে হল্লকখো লাওনে ..." হায়বসি ওডিও কেসেত্তুদা মরুপ বুদ্ধনা শকপনি, সৎসঙ্গগী থৌরমদসু তোয়না শকখি, মীয়াম্নসু পাম্নখি। কেসেট অদুদা ভজন পুন্না ১১ য়াউই, ঈশৈ ৩ মরুপ বুদ্ধনা শুর পানবনি, ৮ না ঐহাক্না পানবনি, মসিসু সাইবাবাগী কৃপাদগী ঙমখিবনি। নুপা–নুপী পুন্না মী ৭ না শকখি।

সৎসঙ্গগী মীয়াম তিন্নরকপদা মী কয়ানা মাগী মাগী পুন্সিদা থাজদনা থোকখিবা সাইকৃপা গী ৱারী অনৌ অনৌবা কয়া লীনৈ, নুপামচা চহী ১৫ মুক্তা ঙাইরিবা অমসু হার্টকী অরুবা লায়না অমা লৈবদগী মীয়াম্না কনবা ঙম্লরোই হায়না ৱানরম্বদু প্রশান্তি নিলায়ম (বাবাগী লৈফম মন্দির) য়ৌবদা খঙকন কনখৎলকখি। বাবাগী দর্শন ফংজবা মতমদা বাবা মশানা মঙোন্দা বিভুতী পিবীরগা নঙ করিশু তৌরোই বিভুতিসি চাউ হায়দুনা পীরকখি। মদু চারবা মতুংদা করিসু তৌদ্রবা মশাকল্লবা নুপামচা অদু ঙসিসু লমদমসিদা রিক্সা থৌদুনা শেল তান্দুনা ইমুং মনুং থাকপগী থৌদাং পুরি। মহাক ঐখোয়গসু খঙনৈ য়ামখ্রে, অসিগুম্বা থৌদোক মচা মচাগী ৱারীশিং মতমদুদা য়াম্না লীনখি, মদুনা মরম ওইরগা সাইবাবা বু থম্মোয়শেংনা নীংজবা মী মশিং নোংম নোংমগী হেগৎলকখি।

ঐ ইশামক্তি অঙাং ওইরিঙৈদগী ভগবান শ্রীকৃষ্ণবু নীংজরকখিবনি। অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা শা–ঙা অমত্তা চারকখিদে, য়ুম্বাল্লবা মতুংদতা নৌনা ঙা চাবা খর –খরা হৈরকখিবনি। ঐঙোন্দা সাইবাবাগী কৃপাগী থৌদোক মচা মচা খরদি থোকখি। ঙসিদগী চহী ২০ মুক্কী মমাঙদা, ঐহাক এম সি এম ওফিসর অমা ওইনা মণিপুর সরকারগী ওফিস অমদা ডিপুটি ডাইরেক্তর ওইখি। শেলথুমগী থবক্তা ঐগী সহি চঙই, শম্না হায়রবদা "ডি ডি ও" ওইখি। মতমদুদা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট খরগী ভারত সরকারদগী ফণ্ড খরা চাউরাক্না লুপা লাখ ১৮ লোম লাকখি। পাউ অসি মনুংগী মীশিংনা করম্না খঙখিবনো খঙদে, লাক্ষ মঙা পীদবা য়াদে হায়দুনা ঐবু কোইতান তান্নখি। মখোয়দা ঐনা মদু ঐখোয়না শীজিন্নবা য়াবা শেল নত্তে হায়দুনা ফনা কন্না হায়রবসু মখোয়না য়াবা কৌবা লৈখিদে। মখোয় ওফিসতা লাকপদগী হেন্দোক্তুনা য়ুমদসু হন্ন–হন্না লাকখি। ঐনা ময়াদ্রবা অদুদা, নোংমদি মখোয়না মখোয়গী অহলশিংনা পাবুংগা ৱা ঙাঙনদবা য়াদ্রে, থৌবালগী অথাপ্পা মফম অমদা লাকউ, একাউন্টেন্টকা লাকমীন্নৌ হায়রকখি। নোংঙানবগী অয়ুক অঙনবদা মখোয় চীং অমগী মখাদা ঙাইদুনা লৈরমগে হায়রম্লগা চৎখ্রে। নুমীত্তুগী অহীংদু ঐ তুম্বা য়াদ্রে, ইমুং মনুংগী মীশিংসু থৱায় ৱানরে।

অহীং নোংয়াই হেল্লবদা ঐনা ফম্মুংদা ফমদুনা সাইবাবাগী মীং কয়ারক শোল্লে, মঙোন্দা প্রার্থনা তৌজরে, ঐগী পুন্সিসে কান্নদ্রবা পুন্সিনি, বাবানা কনবীগেরা কনবীরোইরা বাবাগী অনীংবনি হায়না বাবাদা শীন্নথোক্লে। পুং ৪ মুক তাবা, মপুং ফানা ঙান্দ্রীবা অয়ুক অঙনবদা ঙরাং লাক্লম্বা নহাশিংদু লাক্লগা ঐখোয়গী থোঙ থীল্লরে। ঐনা হৌগত্তুনা হংই "কৈদৌরে ইবুংঙো, নখোয় ঙন্না লাক্লিবসিবো?" মখোয়না খরা ফৗংনা হায়রকই, "পাবুং ঐখোয় মশেল থৌবালগী চীংখোং অমদা নোংমৈ কাপ্নরে, পাবুং লাকপীরনু। হোরেল নুমীদাংৱাই লাকচগে, লুপা লিশিং ৫০ দংদি থিবিরম্মু, ঐখোয় অশোক অপন খরা য়াউরে।" অসি হায়রম্লগা মখোয় থুনা য়াংনা চৎখ্রে।। ঐ ভাব তারে, সাইবাবাগী কৃপা মনাই ঐঙোন্দা মওং অমদা পীবীরক্লে। কয়াদা ঙকখ্রবনো!

নুমীত্তু ওফিসতা ওফিসর ময়াম পুন্না ফম্মীন্নদুনা ৱা খন্নরে। অঙম –অঙম্বা শেল খায়নদুনা লুপা লিশিং ৩০ মুক থমলে। নুমীদাং মখোয় লাকপদা, লিশিং ৫০ দি শুদ্রে, ৩০ সিদং পুখ্রো, শাউবা য়াদে হায়দুনা ঐনা পৈশাদু পীখ্রে। করিদি তৌনি, মণিপুর সনালৈবাক্কী ৱাফম ঙাক্তনিদনা! মখোয়না চৎনা চৎনা "অৱাৎপা কুনদো হয়েং লৌরগে," হায়রম্মী। লাকপদি লাকখিদ্রে। সাইবাবাবু কনানা শিব মহাদেবগী অবতারনি হায়না লাৎনৈ, কনানা শ্রীকৃষ্ণ অদুমকনি হায়না নীংনৈ। মসিদি ভক্ত–ভক্তশিংদুগী অপাম্বনি। লাইপুম্নমক অমত্তনি, শিবসু নারায়ননি নরায়নসু শিবনি, খেন্ননা লৌবদি পাপনি হায়বা ৱাফমসু লৈ।

ঐগী মরুপ বুদ্ধদি ঙসিসু ভজন শকপা চৎলি, ঐদি হকচাং ফত্তবনা মরম ওইদুনা সৎসঙ্গ অমদি অতৈ সভা কয়া পাকপাক য়াউরুবা ঙমখিদ্রে, মসিমদি সাইবাবানা কৃপা তৌবীরমদ্রে। মসি ঐগী হৌখিবা মপোক্কী কর্মফল ওইগনি, ঐনা খঞ্জে। ভজন শকপা চৎত্রবসু য়ুমদা ইমুং মনুংগী ওইবা পরিবারিক ভজন শগোলশেল খুদিং তৌই।

মরক মরক্তা মী কয়াসু ললাকই। লাইনিংবদা ঈশৈ হায়বসি মমাংঙৈদগী হৌনা চঙদবা য়াদ্রবা মচাক অমা ওইরকই। মমাংঙৈগী মুনি ঋষি কয়াদি ঈশৈতনা মা–মাগী নীংজরিবা ঈশ্বরদু ফংনখি। চৈতন্য মহাপ্রভুনা নাম সংকীর্ত্তন হৌদোক্লমখি। মীৎউদ্রবা সুরদাস না অঙাং ওইরিবা কৃষ্ণগী নুংঙাইরবা লীলাশিংবু শৈথাদুনা মতমচুপ্পা ভজন শক্লম্মী। মীরাবাইনা মাগী গিরিধর গোপাল বু মাগী মপুরোইবা ওইনা খঞ্জদুনা ফজখ্রবা ঈশৈ কয়া লেংখি অমসুং শকখি। ঙসিসু মাগী ভজনদি পাম্না শক্লরি। ঈশৈ শৈরেং ওইনা তুলশীদাসনা "রামচরিতমানম" লেংলম্মী। ঐখোয়গী লমদমসিদসু মীওই পুন্সিগী মরুওইবা কর্মগী তাঙ্ককশিংদা নট সংর্কিতন, মনোহরসাই শত্তুনা মপুং ফাহল্লি। সুফী কাংবুগীসু 'দরবেশ' হায়না খঙনবা ঈশৈ মখল অমদা জগোয় শাদুনা লাইনিংবা চৎনরি।

ভারত্তা ৯৫০ দগী ১০৫০ ফাউবা পাল্লম্বা নিংথৌরেন আকবরগী দরবারদা তানসেন কৌবা হিন্দুগী অফাউবা, শাস্ত্রীয় সঙ্গীৎ হৈরবা ঈশৈ শকপা অমা লৈরম্মী। নোংমদি আকবরনা তানাসেনগী ঈশৈ তাবদু ওক্লবগুম্না হায়রকই, "তানসেন, অদোম্বু ঈশৈ তম্বীরকখিবা গুরুদুগী ঈশৈ অমুক্তং তানিংই।" তানসেননা খুম্মী, "ঐগী গুরুদি লাইনিংবা সাধু অমানি, মাগী মমীংনা স্বামী হরিদাস কৌবনি, মাদি ইনিংথৌগী দরবারদা লাক্তুনা ঈশৈ শকউ হায়বা য়ারক্লোই।" "অদু ওইরগা, ঐখোয় মাগী মনাক্তা চৎপা তারেদনা" আকবরনা খুম্লকই।

আকবর অমসুং তানসেন হরিদাস স্বামীনা লাইনিংদুনা লৈরিবা বন্দু তানা লাকখি। নিংথৌনা ঈশৈ তানিংই, ঈশৈ শকউ হায়রবদি মাগী গুরুনা শাউরক্কনি খঙলদুনা, তানসেন্না গুরুগী মনাক্তা ফম্লগা ঈশৈ অমা শক্লকখি, ঈশৈদু তৌগে য়াউনা শুর কায়না শক্লম্মী। মদু তাবদা গুরুনা শাউনা চৈরকই, ঈশৈগী শুর করিগী লান্না শকলিবা? অশুম্না শক্কদবনি হায়রগা হরিদাস স্বামীনা ঈশৈদু ফজনা শকখি। মাগী ঈশৈ তাবদা আকবর পুংশুম শুমখি।

আকবরনা তানসেনদা হংই, " নঙগী গুরু স্বামী হরিদাস কুম্না থম্মোয় শোক্না ঈশৈ করিগী শক্তবনো?" তানসেন্না খুমই, "গুরু দেবগা ঐগা য়াম্না চাউনা খেন্নে। ঐনা নিংথৌবু পেন্নবা দরবারদা ঈশৈ শকচবনি, গুরুনা জগতকী মবুংঙোতবু পেন্নবা বন্দা ফমদুনা ঈশৈ শকপনি।"

ঐখোয়গী লমসিদা লাইশোন ঈশৈ অমদি কির্ত্তন কয়া কয়াদি পুথোক্লরকই। লাইদি থম্মোয় শেংনা নীংলুদবনা ঈশৈময়েক ইরবনিনা, অমসুং লাইনীংবা য়ৌদবা মীনা ঈশৈগী শুর পাল্লবনিনা, মগুণ লৈবা পোথোকতি কয়া ইউ উবা ফংদ্রি। তুংদা অনৌবা মঙাল অমদি লাকখিগনি খল্লি। ঙসিদি মণিপুরসি মী খরগী অনীং অনীংবদা মীয়াম্বু হুমদুনা পুখ্রবগুম তৌরক্লে। ঈশ্বর–ভক্তিতনা অৱাবসি কোকপা ঙমগনি থাজৈ।

# হিন্দু ধর্ম্ম অমসুং আগম–১

**ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা**

হিন্দু শাস্ত্রদা আগম মঙাশুবা মশীংদা লৈ। বেদ, স্মৃতি, ইতিহাস অমসুং পুরাণনচিংবদা তাক্লিবা ময়াম অদুদা নৈনরোল অমদি থবক ওইনা পাঙথোকপা ৱাফমশিংদু ইয়েৎ য়েৎশিন্নবগুম তৌবা থেংনৈ। ৱারীগী মনুংদা মন্ত্র নৎত্রগা যন্ত্রনচিংবগী ৱাফম কয়া অমসু য়াওই। অসুম্না উচাই চাইনা য়াওখ্রবা মন্ত্র, যন্ত্র অমসুং তন্ত্রনচিংবা য়াওবা, মদুনা মন্দিরশিংদা দেবমুর্ত্তিশিংদা করম্বা মওংদা পুজা কৎকদগে হায়বনচিংবা ৱারম তাক্লিবা লাইরিক মখলদুবু আগম হায়না খঙনৈ। আগমশিংদা নৈনরিবদি জ্ঞান, যোগ, ক্রিয়া অমসুং চর্য্যদনি। করিগুম্বা দেব নৎত্রগা দেবী অমবু জগৎকী মপুনি, মঙোন্দগী পূম্নমক শন্দোরকপনি হায়না খঙবা–মদুমক জ্ঞাননি। অদুগুম্বা পোৎশক নৎত্রগা জ্ঞেয় অদুদা মীওইবগী পুক্লিং কমদৌনা লেঙহন্দনা থম্বা য়াগদগে হায়বদুনা যোগনা তাকই। জ্ঞেয় অমসুং যাগ অনীগী শম্নহল্লিবা থৌদৌশিংনা ক্রিয়া, অদুগা কিয়াগী মখলদা ইন্দ্রিয়শিংবু মাগী মাগী অপাম্বা হীরমদা থাদোক্তুনা চৎহল্লগা অপেনবা ফংহল্লগা কান্নদে হায়বা খঙহন্দুনা ইন্দ্রিয়শিংবু লাকশিনবগী থৌওংবু চর্য্য অমসুং নমদুনা ইন্দ্রিয়শিংবু তেথহন্দুনা ফাখবা মদুনা অমত্তদা পুক্লিংবু খলহনবদা চঙহনবা থৌওং–অসুম্না অনী থোক্লা চৎপশিংসু নৈনরি। অসিদসু নত্তনা আগমগী মনুংদা বিশ্বজ্ঞান, মুক্তি, ধ্যান, মন্ত্রদর্শণ, যন্ত্র মখল মথেল, পোৎশেম –যাদু, লাইশঙ শাবা, মুর্ত্তি শাবা, য়ুম য়ুমদা পাঙথোক্কদবা থৌরমশিং, সমাজগী নিয়মশিং, মীয়ামগী উৎসব–মেলা নচিংবা পূম্নমকপুসু মমুৎ তানা নৈনরি।

আগম মখল অহুমনি – বৈষ্ণব, শৈব অমসু শাক্ত। শম্না হায়রবদা হিন্দুগী মরু ওইবা সম্প্রদায় অহুম –বৈষ্ণব , শৈব অমদি শাক্তা হায়রিবসি আগম মখল অহুম অসিদা য়ুম্ফম ওইগনি। বৈষ্ণবাগমদা ভগাবান বিষ্ণু অমসুং মহাক্কী অবতারশিংবু য়ৌনা থাগৎলি, অদুগুম্বা শৈবাগমদা ভগবান শিববু অমসুং শাক্তাগমদনা দেবীবু য়ৌনা থাগৎলি। তন্ত্রগী ৱাফমসি শাক্তদনা খর হেন্না শাফু পীদুনা নৈনৈ।

বৈষ্ণবাগমবু পঞ্চরাত্র হায়রগা খঙনরবসু মখল মরি থোক্লা খায়দোকই, মখোয়দুদি –বৈখনাসু, পঞ্চরাত্র প্রতিষ্ঠাসার অমসুং বিজ্ঞানললিতা। পঞ্চারাত্রদা কাঙলূপ তরেৎ থোকই, মখোয়দুদি ব্রহ্মা পঞ্চরাত্র, শৈব পঞ্চরাত্র, কৌমার পঞ্চরাত্র বশিষ্ট পঞ্চরাত্র, কপিল পঞ্চরাত্র, গৌতমীয় পঞ্চরাত্র অমসুং নারদীয় পঞ্চরাত্র। পঞ্চরাত্র আগমশিংদা ভগবান বিষ্ণুগী মগুণ হায় অমসুং বৈষ্ণবশিংনা পঞ্চরাত্র আগমশিংবু খ্বাইদগী চুম্লবা, ভগবানমক্না তাকথোকপিরম্লবা ৱাফমশিংনি হায়না থাজৈ। বৈষ্ণবাগমগী তোঙান তোঙানবা লাইরিক মশীং চনীতরামঙা শুই হায়, মখোয়দুগী মনুংদা মিং পনবা য়াবদি ঈশ্বর, অহিরবুধ্য, পৌষকর, পরম, সত্বত, বৃহৎ–ব্রহ্ম, জ্ঞানমৃতসার সংহিতাশিং অসিনি। আগমশিংসিনা পুজাবিধি, দেব দেবীশিংদুগী চানবা পীঠ (য়েক্কদবা মওংশিং), মুদ্রা (খুৎলোন শারোন), অদুম অদুম্বা দেব– দেবীদুদা অদুম অদুম্বা হৈ–লৈ কৎপা য়াই য়াদে হায়বা, পুজাগী মফম মতম, মহৈশিং, শোনগদবা, মন্ত্রশিং অমদি কাম্য নৎত্রগা নিস্কাম পুজাশিং (অপাম্বা লৈবা নৎত্রগা অপাম্বা য়াওদবা পুজা ইরাৎ থৌনিবা) অসিনচিংবগী ৱারম নীংথিনা তাকপীরি। অসিদসু নত্তনা ইমুং অমদা হায়বদি য়ুম অমা পানবদা পাঙথোক্কদবা থৌরম থৌদা লোয়ননা সমাজগী উৎসব মেলাশিং, মদুদা পাঙথোক্কদবা থৌরম কয়াবুসু আগমদা তাকই।

শৈবাগমদা শিববু পরমেশ্বরনি তাকই, লোয়ননা মাবু কমদৌনা খুরুমগদগে, লাৎকদগে হায়বনচিংবসু তাকই। আগম কুননিপাল লৈ, ময়ামদুগী মরক্তা কামিকানা অথোইবনি। কাশ্মীর অমদি দক্ষিণ শৈবশিংনা আগমশিং অসিবু দেবগুম্না ঈকাই খুম্নৈ। কাশ্মীর শৈববু প্রত্যভিজ্ঞ অদগা দক্ষিণ শৈববু শৈব সিদ্ধান্ত হায়রগসু খঙনৈ। আগম খুদিংমক্কী উপ–আগম কয়া অমসু লৈরি। শৈব আগমশিংসি অদ্বৈত বাদ লোমদা চঙশিল্লপ তৌই।